# টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা থবক তৌদ্রবদি পাকিস্তান মালেমদগী নাইতোম তাহনগনি : য়ুনাইটেদ ষ্টেটস



ৱাশিংটন, মর্চ০৯(এজেন্সি):

করিগুম্বা পাকিস্তান্না লৈবাক অসিগী লৈমায়দা ওপরেট তৌরিবা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎত্রবদি লৈবাক অসি মখা তানা মালেমদগী নাইটোম তানা লৈগনি হায়না হীরম কয়াদা ঈথিল পীবা ঙম্বা ইন্দিয়ন-অমেরিকান কোংগ্রেসমেন অমনা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

হাউস ফোরন এফেয়রস সব-কম্মিটি ওন ওভরসাইট এন্দ ইনভেষ্টিগেসন্সকী চেয়রমেন ওইরিবা ইন্দিয়ন-অমেরিকান কোংগ্রেসমেন অমি বেরানা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা জাইস-ঈ-মোহম্মদ (জে ঈ এম)গী চীফ মসুদ অঝারবু য়ু এন সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী ৱারেপ অমনা গ্লোবল টেররিষ্ট অমনি হায়না ফোঙ-দোকখিবদা চাইনানা ভিটো শীজিন্নখিবদু হন্দোক্তুনা কনষ্ট্রিটিভ থৌদাং লৌনবসু তকশিনখ্রে। পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং থৱায় য়াওনা লৌখৎপা হৌরবদি য়ুনাইটেস ষ্টেটসকী কোংগ্রেসনসু পাকিস্তানবু শৌগৎনবসু শেম শারে। মসিনা মহাক্কী লৈবাক্কী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবদসু মতেং ওইগনি হায়না বেরানা ওপ-এদ অমদা ইখি। কালিফোনিয়াদগী মরিরক হন্না থাগৎলকখিবা ইন্দিয়ন-অমেরিকান কোংগ্রেসমেন অসিনা মহাক্কী ওপ এদ আর্টিকল অদুদা হায়, ওইনা থাগৎপা পাকিস্তানন্না ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী পাইলোট অভিনন্দন ভরথমন থাদোক্তুনা অচুম্বা খোঙথাং অমা লৌখৎখ্রে। খোঙথাং অসিনা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় লৈননরবা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা মওংদা লৈরিবা ঊংখৎনবগী ফিভম শিংথানিঙাই ওইনা হন্থহনখ্রে। তৌইবগুম্বসুং লৈবাক অসিনা অহেনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরি।

বেরানা মখা তানা ফোঙদোক-খিবদা, পাকিস্তান্না লৈবাক অদুদা ওপরেট তৌরিবা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎপা হৌখিবসি জে ঈ এম অমসুং কুমজা ২০০৮ কী মুম্বাই এটেক্তা চেন্নরিবা লস্কর-ঈ-টাইবগুম্বা অতে টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী মীওইশিং ফাবা পুনবগী কেম্পেনগা লোয়ননা হৌখি। লাইবক থিবদি পাকিস্তান্না অসিগুম্বা টেররিষ্ট গ্রুপশিংদা উৎলিবা থৌওং অসি মশাগী অপাম্বগী মায়োক্তা ওইদুনা মায় পাকপগী চাং নেমখি। থাসি অসিগী ৫ দা টেররিষ্ট গ্রুপ অনী অমসু হাপচিনদুনা অসিগুম্বা টেররিষ্ট গ্রুপ কয়া পাকিস্তাননা অথিংবা থমখ্রে। তৌইবগুমসু লৈবাক অসিনা মশাগী বোর্দর মনুংদা ওপরেট তৌরিবা টেররিষ্টশিংবু কোমথোকপা মীৎয়েং অমদা য়েংবগী থৌওংসু চত্থরি। মসিনা মরম ওইদুনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা পাকিস্তানবু নাইতোম তাহনখিবনি হায়না বেরানা ফোঙদোকখি।

জে ঈ এমগী লুচিংবা মসুদ অঝারগী মচিন মনাও য়াওনা মিলিটেন্টশিংনি চিংনবা মীওই ৪৪ ফাজিনবগুম্বা অনৌবা খোঙথাং খরা পাকিস্তান্না লৌখৎখ্রে। অদুম ওইনমক পাকিস্তান্না ফোঙদোক-খিবগুম মসিগী প্রিভেন্টিভ দিটেন্সন অসিদগী ক্রিমিনেল প্রোসিক্যুসনগী খোঙথাংশিং লাকহনগদৌরিব্রা হায়বদুদি শেংনা হায়বা ঙমদ্রি হায়না বেরানা মখা তাখি।

পাকিস্তানগী ফোরন মিনিষ্টরনা হৌজিকসু হিংলি হায়না ফোঙদোকখ্রবা অঝারবু কোইথি থিরগা ফাদুনা ৱায়েল মায়োক্নহনবা ঙম্লবদি লৈবাক অসিনা মালেমগী গুদৱিল শোয়দনা ফংবা ঙমগনি। পাকিস্তান মনুংদা ওপরেট তৌরিবা টেররিষ্ট নেটৱার্কশিং মাঙহন-তাকহনবা ঙম্লবদি লৈবাক অসিগী হেন্না ফবা ওইগনি। অসিগুম্বা এক্সনশিং অসি য়ু এন সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী রিজোল্যুসন ১২৬৭গা চান্নে। করিগুম্বা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা অসিগুম্বা খোঙথাংশিং অসি লৌখত্তবা তারবদি লৈবাক অসিবু মালেমনা মখা তানা ইন্থোক্তুনা থমগনি হায়বসি হেন্না হায়জিনবা ৱাফম ওইরোই। লৈবাক অসিগী মীয়াম্না মায়োক্নরিবা শেল-থুমগী অৱাবশিংসু হেঞ্জিল্লকনি হায়নসু বেরানা ফোঙদোকখি।

# ট্রম্পকী তোপ কম্যুনিকেসন্সকী তেংবাংলোই মফম থাদোকখ্রে, রি-ইলেক্সন কেম্প্যেনদা মায় ওনশিল্লগনি

ৱাশিংটন, মর্চ০৯(এজেন্সি):

হ্বাইট হাউসতা দোনাল্ড ট্রম্পকী কম্যুনিকেসন্সকা মরী লৈনবা তেংবাংলোই মকোক ওইরম্বা কম্যুনিকেসনকী দিরেক্টর বিল শাইন মফম থাদোকখ্রে। মহাক য়ু এস প্রসিদেন্টকী কুমজা ২০২০গী রি-ইলেকসন কেম্প্যেনদা ওইনা মায় ওনশিল্লগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



হান্না ফোক্স ন্যুজগী এগজিক্যুটিভ অমা ওইরম্বা বিল শাইন হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা রিজাইন তৌখিবনি। মহাক কুমজা ২০২০ গী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনগী মাঙ-ওইননা সিনিয়র কেম্প্যেন এদভাইজর অমা ওইনা থবক পুরগনি হায়না হ্বাইট হাউসকী স্পোক্সপার্সন সারাহ সেন্দর্সকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা ট্রম্পকা নকশিন্নবা সোর্স অমনা ফোঙদোকখিবদা, বিল শাইনদা প্রসিদেন্টকী থাজবা মাঙখ্রে অমসুং কম্যুনি-কেসনকী ওপরেসনদা প্রসিদেন্টনা অয়াম্বা মতমদা সেন্দর্সকী মতেং লৌদুনা লৈরি। ট্রম্পকী হ্বাইট হাউসতা মতম তেন্না থবক তৌরম্বা কম্যুনিকেসন্সকী দিরেক্টরশিংগী মনুংদা শাইননা খ্বাইদগী নৌবা ওইরি।

হ্বাইট হাউসনা থদোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা ট্রম্পনা হায়, বিল শাইননা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক অমা তৌরম্লে। মহাক ঐখোয়না হ্বাইট হাউসতা থবক তৌমিন্নবা ফংলরোই, তৌইগুম্বসুং লাক্লিবা কুমজা ২০২০ গী প্রসিদেন্সিএল কেম্পেনদা মহাক্কা থবক তৌমিন্নবগী তাঞ্জা অদু ঐখোয়না খৌরাংনা ঙাইরি। কেম্পেন অসিদা মহাক তৎন-থানদনা চেন্নরগনি হায়না ট্রম্পনা ফোঙদোকখি। শাইননা হায়, হ্বাইট হাউসকী কম্যুনিকেসন্সকী ফম থাদোক্লবা মতুংসিদা মহাক ইমুংগী মীওইশিংগা লোইনবগী মতম হেন্না ফংলগনি। প্রসিদেন্ট ট্রম্প অমসুং লৈবাক অসিগী থবক তৌজবা ফংলকখিবা অসি মহাক্কী পুন্সিগী ওইনা খ্বাইদগী মহে য়ানবা এক্সপিরিএন্স অমা ওইখি। অমেরিকাগী মীয়ামগীদমক্তা প্রসিদেন্ট অসিনা তৌরক্লিবা অমসুং পাখৎলক্লিবা থবক থৌরম কয়াগী শরুক অমা ঐহাকপুসু ওইহনবিরকপসি তশেং-নমক ঐহাকপু ইকাইখুম্নবিবনি হায়না বিল শাইননা মহক্কী ষ্টেটমেন্টতা ফোঙদোকখি। মখা তাবা কম্মেন্ট পীবিনবা হায়জরকখিবা ই-মেল অমগী পাউখুম শাইননা পীখিদে। ফোক্স ন্যুজকী হান্নগী এগজিক্যুটিভ অসি মহাক্কী নেটৱার্ক থাদোকখিবা থা ১৪গী মতুং হৌখিবা জুলাইদা হ্বাইট হাউসকী কম্যুনিকেসন্সকী তোপ জোব অদু পায়বা হৌখিবনি। মহাক্না নেটৱার্ক অদু থাদোকখিবা মতমদা সেক্সচ্যুএল মিসকন্দক য়েংশিন্নবগী মহে য়ানগদবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা ঙমদ্রে হায়না মরাল শীবা লৈখিবনি। ট্রম্পনা শাইনবু এসিষ্টেন্ট অমসুং কম্যুনিকেসন্সকী দেপ্যুটি চীফ ওফ ষ্টাফ ওইহনখি।

# ঈ য়ুনা করম্বা ব্রেক্সিট গেম শান্নরিবগে হায়না বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টকী লিদর লিদসমনা হংখ্রে



লন্দন, মর্চ০৯(এজেন্সি):

মথং চয়োলদা লোমেকরশিংনা ভোট লৌনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা লন্দন অমসুং ব্রসেলজগী মরী শোকচিল্লকখিবগা ইরোইননা ব্রেক্সিটকী মতাংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না করম্বা গেম শান্নরিবগে হায়বসি ঙক্লিংঙাই ওইরক্লে হায়না বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টকী লিদর অনদ্রি লিদসমনা ফোঙদোকখ্রে।

বৃটেননা ঈ য়ু থাদোক্কদবা মার্চ ২৫গী মতম য়ৌশিল্লক্কদবা চয়োল ৩ ফাজিল্লক্তুবা মতম অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনানা দিভোর্স এগ্রীমেন্টদা অহোংবা পুরকপা ঙমদনা লৈরি। ব্রসেলজকা য়ানখিবা দিভোর্স এগ্রীমেন্ট অদুবু লোমেক-রশিংনা য়াহন্নবগীদমক অহোংবা খরা পুরকপগী তঙাই ফদবা লৈরিবনি। এগ্রীমেন্ট অদু হৌখিবা জন্যুৱারিদা পার্লিয়ামেন্টতা ভোট লৌনবদা লোমেকরশিংনা রিজেক্ট তৌখিবনি। ঈ য়ুগা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদনা লৈরিবা মরু ওইবা ৱাফম অমদি বৃটিশ প্রোভিন্স নোরদর্ন আইরলেন্দ অমসুং ঈ য়ুগী মেম্বর আইরলেন্দগী মরক্তা লৈরিবা বোর্দর করম্না মেনেজ তৌগদগে হায়বগী মতাংদনি।

ইরাই নুমিত্তা ঈ য়ুগী চীফ নিগোসিএটর মিচেল বার্নিয়র বোর্দর অদু অপনবা অমত্তা পীদনা হাংলগা থম্নবগী প্রপোজল অমা পুথোকখি। মহাক্কী প্রপোজল অদুগী মতুং ইন্না করিগুম্বা বোর্দর অদু হাংবা তারবসু ঈ য়ুগী রুলশিংগী মতুং ইন্না হাংবা য়াহনগদবনি। তৌইগুম্বসুং লন্দননা ৱাফম অদু রিজেক্ট তৌখি।

য়ানদনা লৈরিবা ৱাফমগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ঐঙোন্দা লৈ। তৌইগুমসুং ঈ য়ুগী মায়কৈদগী হৌদোরক্লিবা ৱাফম অসিদি নীংবা কায়নিঙাইনি। মতাং অসিদা মখোয়না করম্বা ব্রেক্সিটকী গেম শান্নরিবগে হায়বসি হংনিঙাই ওইবা ৱাহং অমনি হায়না লিদসমনা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা পার্লিয়ামেন্টতা দিভোর্স বিল ভোট লৌনবা মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর মেনা অমুক হন্না মায়থিবা তারবদি কনানা মদুগী থৌদাং পুগনি হায়না হংবদা লিদসমনা হায়খি, ঐহাক্কী ওইনদি ঈ য়ুনা ঐখোয়গা হেন্না নকশিননা থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না খুমগনি। ভোট লৌনবা মতমদা ঐখোয়না শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বসি ঐহাক্কী থাজবনি। তৌইগুমসুং মদু ঈ য়ুনা য়ুকেগী প্রপোজলশিং অদু লুনা লৌবিবগী মখা পোনগনি।

অমরোমদা, য়ুরোপিয়ন য়ুনি-য়নগী ব্রেক্সিট কোওর্দিনেটর গাই ভর্হোসতাদনা বার্নিয়রবু শৌগৎপা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, বার্নিয়রগী মায়কৈদগী কন্সট্রক্তিভ ওইবা ৱাফম কয়া হৌদোকখ্রে। হৌজিক্তি মওং মরিল তাবা ব্রেক্সিটকী ফিভম লাকহন্নবগীদমক য়ু কেগী মায়কৈদগী থাজনিঙাই ওইবা ৱারেপ অমা লৌগদবনি।

অনৌবা অফবা রিজল্ট অমা থুনা লাক্কনি হায়বা লৈত্রবসু ব্রসেলজতা মখা তানা ৱারী শানখিগনি। হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা মেনা অনীরকশুবা ওইনা লোমেকরশিংগী অয়াবা লৌনবা হোৎনরকপা মতমদা মায়থিবা য়ানা লৈরি। ঈ য়ুগী চীফ নিগোসিএটর বার্নিয়রগী সোল্যুসন অদুদা নোরদর্ন আইরলেন্দ অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমগী অতৈ লমশিংগী মরক্তা লৈরিবা আইরিসসিদা বোর্দর অমা শেম্বগী ৱাফম য়াওরি। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা থৌরাং অসি নোরদর্ন আইরলেন্দগী দেম্মক্রেটিক য়ুনিয়নিষ্ট পার্টি (দি য়ু পি)নদি য়াদ্রি।

# মহৈরোয়শিংগী প্রোটেষ্ট কনখৎলকপদগী অলজিরিয়ানা য়ুনিভর্সিটি ছুটি ঙন্না থাদোকখ্রে

অলজিয়র্স, মর্চ০৯(এজেন্সি):

প্রসিদেন্ট অবদেলঅজিজ বৌতেফ্লিকাকী মায়োক্তা মহৈরোয়-শিংনা লুচিংদুনা চত্থরকখিবা চয়োল অনী শুরবা প্রোটেষ্টশিং শোন্থহন্নবা লৌখৎলকপা মানবা খোঙথাং অমদা অলজিরিয়ন ওথোরিটিশিংনা য়ুনিভর্সিটিগী স্প্রীং হোলিদেগী মতম ঙনখৎনবা থাংজ নুমিত্তা ওর্দর তৌখ্রে।

চহী ২৮ গী মনুংদা পাঙথোকপা উবা খ্বাইদগী চাওবা প্রোটেষ্টশিং ওইনা ভেটরন লুচিংবা অদুগী চহী ২০ গী লৈঙাক শিংনরদুনা দেমোন্সত্রেটর লিশিং কয়ানা সেন্ট্রেল অলজিয়র্সতা পুনখিবা মতুং নোংমা কান্নরগা লৈবাক অদুগী হায়র এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রিনা য়ুনিভর্সিটিগী স্প্রীং হোলিদেগী মতম ঙনখৎনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

খোঙথাং অদুগী মরম পীদবিদা মিনিষ্ট্রি অসিগী দিক্রি অমদা হায়, স্প্রীংগী ছুটি অদু মার্চ ২০দগী হৌবগী মহুত্তা নুমিৎ ১০ নি ঙনখৎলগা নোংমাইজিং নুমিত্তগী হৌরগনি। থবক ফংদবগী প্রোব্লেম, পাক শন্না শেঙা-থুমজা তৌবা ফিভম অমসুং নহা ওইরিবশিংগা তোৎনবা ৱাৎপা অহল ওইরবা ভটরনশিংনা শেম্বা লৈঙাক্কী মায়োক্তা অলজিরিয়-নশিংনা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২২ দগী লৈবাক অদুগী মরু ওইবা লম্বীশিংদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌরকখিবনি।

লাক্লিবা এপ্রিল ১২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অদুগী মীখলদা অমুক হন্না মীরেপ ওইদুনা ৫ শুবা টর্ম অমসু লৈঙাক পায়ননবা মশাগী চহী ৮২ শুরবা প্রসিদেন্ট বৌতেফ্লিকানা হোৎনরকখিববু য়ানিংদবা উৎলদুনা অলজিরিয়ন-শিংনা প্রোটেষ্ট হৌখিবনি।

কুমজা ১৯৯১ দা ইস্লামিষ্টশিংনা মায় পাকপা য়ানা লৈখিবা ইলেক্সনশিং আর্মিনা কেন্সেল তৌখিবা মতমদা উখিবা অল-জিরিয়নশিংনা হৌখিবা খোঙজংশিংগী মতুংদা খ্বাইদগী চাওবা ওইখিবা দেমোন্সত্রেসনদুগী মনুংদা খরদি য়ুনিভর্সিটিগী প্রেমিসিস মনুংদা হৌখি অমসুং মখোয়দু লম্বীশিংদসু শন্দারকখিবনি।



মশা নাবদগী লায়েংলিবা বৌতেফ্লিকা হৌজিক জেনেভাগী হোস্পিটাল অমদা লৈরি। মহাক কুমজা ২০১৩ দা ষ্ট্রোক তৌখিবদগী মীয়াম্না হৌজিকফাওবা মশক উরকখিদ্রবনি। হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা মহাক্না প্রোটেষ্টরশিংদা মহাক্কী অহানবা ৱার্নিং পীরদুনা হায়খি, চয়োল অহুম চঙশিল্লক্লবা ইরাং অদুনা নোর্থ অফ্রিকাগী থাউ অমসুং নেচরেল গ্যাস মরাং কায়না পুথোক্লিবা লৈবাক অদুদা কাং-খোং চাইবগী ফিভম অমা লাকহনবা য়াই। বৌতেফ্লিকানা মীখল লোইরবা মতুংদা মহাক্কী টর্মগী মতম য়ারিমখৈ তেনশিনগে হায়না খোঙজং চঙশিল্লিবশিংদা ওফর তৌখি। মহাক্না লৈবাক অদুদা চল্লাইরিবা সিষ্টেমদা অহোংবা পুরক্কনি হায়নসু চেৎনা থমখি। তৌইবগুমসুং মহাক্কী লৈঙাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা ইহৌ অদুদা হৌজিক্তি তোঙান তোঙানবা মীওই কাঙলুপশিং মরু ওইনা মহৈরোয়শিং অমসুং নহা ওইরিবা মীওইশিংসু য়াওশিনখ্রে। রুলিং পার্টিগী মেম্বরশিং য়াওনা মতম শাংনা বৌতেফ্লিকাগী মীচং ওইরকখিবশিংসু হৌজিক্তিঃ প্রোটেষ্টরশিং অদুবু শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে। মদুনা লৈঙাক্লিবা এলিট কাঙবু অদুগী মরক্তা নাকপাক তানবগী ফিভম অমা লাক্লে হায়বা উৎলে হায়রি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : LAMSANG

*Ref:- Mutation Case No.191/SDC/IW-L/2019*

Thounaojam Angangjao Singh S/o (L) Manglemjao Singh of Koutruk
-Petitioner
-Vs-
(Late) Thounaojam Manglemjao Singh S/o (L) Ningthoujao Singh of Koutruk
-OP/Party

**ꯈꯣꯡꯒꯣꯟ/NOTICE**

8/3/2019

Under section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার থৌনাওজম মংলেমজাও সিংহ পীং মৃত নিংথৌজাও সিংহ সাং কৌত্রুককী মীংদা লৈবা ঈ: ও: তহশিলগী খুল নং ৪৭- কৌত্রুক্কী অনৌবা পাট্টা নং ৫১, দাগ নং ৪৯ অমসুং ৩১০গী এরিয়া ১·২০০০০ অমসুং ০·০৪০০০চাউবা ফৌরেল লৌফম অনী অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফমশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌবিনীংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/3711/10 **Sd/- Sub-Deputy Collector:IW:Lamsang**

# কোঙ্গোগী ইবোলা ট্রিটমেন্ট সেন্টরদা এটেক তৌখ্রে

গোমা, মর্চ০৯(এজেন্সি):



কোঙ্গোগী ইবোলা লায়নাগী লাইচৎনা খ্বাইদগী শোকহল্লিবা লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা ইবোলা ট্রিটমেন্ট সেন্টর অমদা খূৎলায় পায়বা মাই মাই মিলিস্যামেনশিংনা থাংজ নুমিত্তা এটেক তৌখ্রে। এটেক অদুদা পুলিসকী মীওই অমা শিরে হায়না লোকেল মেয়রনা ফোঙদোকখ্রে।

মেয়র অদুগী মতুং ইন্না মিলিস্যামেনশিং অদু অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং লাক্তুনা তানখায়খি। ইষ্টর্ন কোঙ্গোগী বুটেমবুদা লৈবা সেন্টর অদু হৌখিবা চয়োলদা শকখঙদবা মশক খঙদবা মীওই কাঙবু অমনা মৈ থাখিবা মফমদুমক ওইখি। মমাঙগী এটেক অদুনা মরম ওইদুনা মেদিসিন্স সান্স ফ্রন্টিয়রস (দোক্তরস ৱিদাউট বোর্দরস)না মফম অদুদা পায়খৎলিবা মখোয়গী থবকশিং লেপখি।

ইবোলাগী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনখিবা এইদ ৱার্করশিং মফম খরগী মীয়াম্নদি থাজনখিদবনি। লাইচৎ অদু দেম্মক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী পুৱারীদা খ্বাইদগী শাথিবা ওইখি। হৌজিক ফাওবদা ইবোলানা নাবদগী লৈবাক অদুগী মীওই ৬০০ লোম শিখ্রে। ইবোলা ভাইরস লাকশিন্নবগী থবকশিং কোঙ্গোগী লোচৎনদবা নোংপোক থংবা লমদমদা ওপরেট তৌরিবা খূৎলায় পায়বা গ্রুপ কয়ানা খুরৌ থাংহনখি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী প্রসিদেন্ট টেদ্রোস অধানোম থাংজ নুমিত্তা বুটেমবোগী ট্রিটমেন্ট সেন্টর অমদা খোঙচৎ অমা লাক্লুবগী থৌরাং তৌখিবনি। দব্লিয়ু ঐচ ওগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোক-খিবগী মতুং ইন্না হৌজিক্তি টেদ্রোসনা খোঙচৎ অদু পাঙথোকখিগদ্রা হায়বসি শেংনা খঙবা ঙমদ্রে। বুটেমবোগী মেয়র সিলভাইন মবুসানা ফোঙদোকখিবদা, মাই মাইগী মিলিটেন্টশিং অদু মফমদুদগী মায় পাকনা তান্থোকপা ঙমখি।

# 'পাকিস্তানগী লৈমায়দা টেরর গ্রুপ অমত্তা লৈহল্লোই'

ইস্লামাবাদ, মর্চ০৯(এজেন্সি):

টেরর গ্রুপ অমত্তা পাকিস্তানগী লৈমায়দা ওপরেট তৌহল্লোই অমসুং মপানগী লৈবাক অমত্তদা মখোয়বু এটেক পাঙথোকহল্লোই হায়না পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা ফোঙদোকখ্রে।

ইস্লামাবাদনা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরর ওর্গনাইজেসনশিংগী মায়োক্তা ফাবা পুনবগী অকনবা খোঙজং অমা চঙশিনখিবা মতুং নুমিৎ খরনি কানরগা প্রাইম মিনিষ্টর খাননা ৱাফম অসি ফোঙদোক-খিবনি। পাকিস্তানগী খা থংবা লমদমদা মীয়ামগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ইমরান খাননা হায়খি, মহাক্কী গভর্নমেন্টনা পাকিস্তানগী লমবু মপান্দা মখল অমত্তগী টেররিজমগী থবক থৌওংশিং চত্থবদা শীজিন্নবা য়াহল্লোই।

হৌজিক ঐখোয়গী লৈবাক্তা টেরর গ্রুপ অমত্তা থবক তৌহল্লোই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা হৌখিবা চহীগী ওগষ্টতা লৈঙাক পায়বা হৌখিবা খাননা হায়খি, লৈবাক অদুদা লৈরিবা টেরর অমসুং এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপশিং অদু মমাঙগী লৈঙাকশিংনা লাকশিননবা হোৎখিদবদগী মখোয়গী থবক থৌওংশিং কনখৎলকখিবনি। মহাক্কী লৈঙাক লাকপদগী নেসনল এক্সন প্লান্টগী মখাদা টেররিজম থেংনবগী থৌরাং য়াংনা পায়খৎলক্লি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : KONTHOUJAM

*Ref:- Mutation Case No.244/SDC/K(IW)/2019*

1. Keithellakpam (O) Leimahan Devi W/o Goura Singh of Khabi Mayai Leikai
2. -do- Ibochouba Singh S/o (L) K. Bira Singh of -do-
3. -do- (O) Premila Devi W/o (L) Ibomcha Singh of -do-
4. -do- Joy Singh S/o (L) K. Gulamchat Singh of -do-
5. -do- Bhubon Singh S/o (L) -do- of -do- -Petitioners

-Vs-

(Late) Keithellakpam Gulamchat Singh S/o (L) Manikchan Singh of Khabi
-OP/Party

**ꯈꯣꯡꯒꯣꯟ/NOTICE**

8/3/2019

Under section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার কৈথেল্লাকপম গুলামজাৎ সিংহ পীতা মৃত মনিকচান্দ সিংহ সাং খাবীগী মীংদা লৈবা ঈ: ও: তহশিলগী খুল নং ৮৭- তোপ খাবীগী অনৌবা পাট্টা নং ৩০, দাগ নং ৯৪, এরিয়া ·৯৬ চাউবা ইঙ্খোল অসি দংকারি নং ১না ·৩২ অমসুং দংকারি নং ২না ·১৬, দংকারি নং ৩না ·১৬ পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা অপতি তৌবিনীংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

HL-P/3711/10 **Sd/- Sub-Deputy Collector:Konthoujam**

## ꯇꯥꯛꯂꯤ / WANTED

Males and Females Candidates for **CERAGEM HEALTH CARE CENTRE** Khuyathong, Imphal, Opp. Christian Literature House.

Qualification : ***XII Pass***
Interview : ***13.03.2019***
Time : ***10.00 A.M.***

**Sd/- Manager**
***8732894047 / 7005549587***

HL-P//3712/10

NO.5/16/2018-MSRRDA/E-Tender/Ph-XI(B-II, 2017-18)/2RT /724

RURAL ENGINEERING DEPARTMENT
MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA),
4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC : Imphal, Manipur
National Competitive Bidding Through e-Tendering
Dated, Imphal the 7th March, 2019.

The Chief Engineer, MSRRDA invites item rate tender through e-Procurement from eligible contractors for 30 (thirty) works [ 11 roads and 19 bridges] of Pradhan Mantri Gram Sadak Yojana (PMGSY) Phase-XI (Batch-II, 2017-18) retender in Manipur State.

The procurement officer is Chief Engineer, MSRRDA, Imphal; the tender details and documents shall be available online from 20-03-2019 to 12-04-2019 at https://pmgsytenders.gov.in / https://pmgsytendersman.gov.in

Bid submission start date : 26-03-2019.
Bid submission end date : 12-04-2019.
Pre-Bid meeting : 26-03-2019 (Time : 11:00 A.M., Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).
Date of opening of Technical Bid : 15-04-2019 ( -do- ).

Sd/- Th. Nandakishore Singh
Chief Engineer, MSRRDA

HL-B/5271/9,10

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF EDUCATION(S)**
(Administrative Section)

**NOTIFICATION**
Imphal, the 9th March, 2019

**No: AO/252/MTS/2016(5)-DE(S) Pt-I:** The Written Examination for recruitment of 413 (four hundred and thirteen) number of Multi-tasking Staff (MTS) in the Department of Education(S), Government of Manipur which was re-scheduled at 11. a.m. of 10th March, 2019, Sunday has been **postponed until further orders.**

2. Inconvenience cause is highly regretted.

Sd/-
(Th. Kirankumar)
Director of Education (S), Manipur

HL-B/5274/10